**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 30-08-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) বিষ্ণুপুর জিলাদগী সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবু অমনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

২) নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি উজবেকিস্তানগী কোনুং টাস্কেন্টতা থুংখ্রে।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩৭ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

------

সেক্যুরিতি (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাদগী সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবু অমনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়- জিলা অসিগী মনুং চনবা কৈফা রোড পেটন ৱাটর সপ্লাই পম্প মনাক্তা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা ফংখিবা খুৎশু খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, পোইন্ট থ্রি-টু পিষ্টোল অমা, কন্ত্রিমেদ এ.কে. রাইফল অমা, কন্ত্রি মেদ এম.পি নাইন নোংমৈ অমা, কন্ত্রি মেদ এস.বি.বি.এল নোংমৈ অমা অমদি পোইন্ট ট্ টুগী কন্ত্রি মেদ রাইফল অমসু য়াওরি। মসিগীসু মথক্তা হেন্দ গ্রেনেদ অনি, আই.ই.দি অনি অমদি তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং ফংখি হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা ৩১ শুবা অসাম রাইফলসকী কাংবু অমনা পীরকপা পাউদা য়ুম্ফম ওইদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দোনা লম্বোই খোঙনাখোঙ এরিয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চখ্খবদা কে.সি.পি (অপুনবা)গী এক্তিভ কাদরনি হায়বা মীওই অমা মহাক্কী য়ুমদগী ফারে। মীওই অসিদগী আই.ই.দি অমা, নাইন এম.এমগী নোংমৈ মরু মঙা অমদি চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা ফাগৎলে।

থৌদোক অসিগী মখা তারকপদা কে.সি.পি (অপুনবা)গী অতোপ্পা কাদর অমসু খুম্বোং মমাং লৈকাইদগী ফারে হায়রি।

অমরোমদা, ৩৩ শুবা অসাম রাইফলসনা পীরকপা থাজবা য়াবা পাউ অমদা য়ুম্ফম ওইদুনা ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দোনা চখ্খিবা থিবা হুম্বগী থবক্তা ইম্ফাল ইষ্টকী লাইফম খুনৌ লেন নম্বর ফাইভতগী কে.সি.পি (নোয়োন)গী এক্তিভ মেম্বর অমা ফারে হায়রি।

সমস্কৃতা (এল)ঃ সংস্কৃতা ভারতি মণিপুর প্রান্ট অমদি সংস্কৃট টোল ইম্ফালনা শিন্দুনা সংস্কৃট সপ্তাহ চরনম অমদি নুমিৎ তরানিগী ওইবা ওনলাইন সংস্কৃত ভরগা সমাপম সমারোহা ঙসি ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতি কেম্পসতা লৈবা সংস্কৃত টোল ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অদুদা ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার দব্লিউ. চান্দবাবুনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াগনি। রাধামাধব আধর্সা সংস্কৃত মহাবিদ্যালয়গী প্রিন্সিপাল প্রোফেসার বুধেশ্বর সরঙ্গি, সংস্কৃত ভারতিগী ক্ষেত্র সংঘথন মন্ত্রি মোহানন কানন অমদি সংস্কৃতা ভারতি মণিপুর প্রান্টকী অধ্যক্ষ এস. বিদেশ্বর শর্ম্মা শরুক য়াগনি।

এময়ু (এল)ঃ মণিপুর ইন্তরনেসনেল য়ুথ সেন্তর (এম.আই.ৱাই.সি)না শিন্দুনা ইন্তরনেসনেল ডে ওফ দা ভিক্তিমস ওফ এনফোর্স দিসএপিয়ারেন্সেসকা মরী লৈননা স্পেসিয়েল লেকচর অমদি ইন্তরেক্সন প্রোগ্রাম ঙসি পাঙথোক্লগনি। কাঞ্চিপুরদা লৈবা নেসনেল রিছার্স সেন্তরদা

পাঙথোক্কদবা থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ লোগী হেদ ওইরিবা ডাঃ য়ুমাম প্রেমানন্দনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ইন্তরনেসনেল ডে ওফ দা ভিক্তিমস ওফ এনফোর্স দিসএপিয়ারেন্সেসকী মতাংদা ৱা ঙাংগনি।

কলচরেল (এল)ঃ রাজ্য সরকারগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগনা পায়খৎপা চীফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টশিংগী তেংবাংগী মখাদা য়ুনাইতেদ ৱিমেন সোসিয়েল এন্দ কলচরেল ফোরমনা চখুরকপা নুমিৎ ২৫ নিগী ওইবা থিয়েতর ৱার্কসোপ ঙসি লোইশিল্লগনি। লোয়ননা থৌরাং অসিগী মখাদা নৌনা পুথোকপা ‘শরুঙ খুল’ হায়না মীংথোনবা ড্রামা অমসু উৎকনি।

মেত ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি- মণিপুর, মিজোরম, ত্রিপুরা, নাগালেন্দ অমদি সিক্কিমদা ঙসি ময়াই ওইরপ কনবা নোং চুগনি।

অমরোমদা, অতোপ্পা অৱাং নোংপোক লমদমগী রাজ্যশিং- অরুনাচল প্রদেশ, অসাম অমদি মেঘালয়দনা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়রি। মসিগী মথক্তা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসি নোং চুগনি। মফমশিং অদুগী মনুংদা ছত্তিসগর, গঙ্গেতিক ৱেষ্ট বেঙ্গল, বিহার, মধ্য প্রদেশ অমদি উত্তর প্রদেশকী নোংপোক থংবা শরুক, ঝারখন্দ, সব-হিমালায়ান ৱেষ্ট বেঙ্গল, উত্তরাখন্দ অমদি বিদরভা য়াওরি। ওরিষাদা ঙসি অমদি হয়েং অকনবা নোং চুগনি। মসিগীদমক আই.এম.দিনা রেড এলার্ট লাউথোকখ্রে।

পিএম ঃ নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি উজবেকিস্তানগী কোনুং টাস্কেন্টতা থুংখ্রে। মহাকপু লৈবাক অদুগী রাষ্ট্রপতি সবকট মিরজিয়োয়েভনা তরামা ওকখি।

শ্রী মোদিবু টাস্কেন্টতা লৈবা ভারত মচাশিংনসু তরামা ওক্লমখিবগা লোয়ননা টাস্কেন্ট সহর পুন্বা ভারতকী মচু অহুমগী ফিরাল থেৎতুনা শ্রী মোদিবু ওক্লমখি। ঙসি শ্রী মোদি অমদি উজবেকিস্তানগী সবকট মিরজিয়োয়েভনা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংগী মতাংদা ৱারী শাদুনা ঙল্লিঙৈ মতমদগী লৈরক্লবা লৈবাক অনিগী মরীবু হেন্না চেৎশিনহন্নবা পাদম থল্লি। ৱারী শান্নগদবা হিরমশিংগী মনুংদা লল্লোন ঈতিক, ঙাকশেল, দিজিতেল কন্নেক্তিমিতি, ইনর্জি অমদি মহৈ মশিংগী লম য়াওনা লৈবাক অনিগী মীয়ামগী মরক্তা অফবা মরী থমবগী মতাংদা খন্নগনি। শ্রী মোদিনা টাস্কেন্টতা লৈবা শাস্ত্রি মেমোরিয়েল অমদি মহাত্মা গান্ধি সেন্তরদসু চৎলবা য়াই হায়রি।

মনকিবাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩৭ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি ঙসি নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা হয়েং শন্দোক্কনি।

নেপাল ঃ নেপাল অমদি তিবেৎতা থোকপা খুদক্কী ঈচাউদা লৈখিদবা মী মশিং ৬৬৯ য়ৌখ্রে। মীওই লিশিং অনি হেন্না থিবা ফংদ্রি।

ওফিসিয়েল ওইবা পাউগী মতুংইন্না ঈচাডনা শোকহল্লবা লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা হৌজিকসু থিবা হুন্বা অমদি মী কনবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। মরুওইনা পুলিসকী কাংবুনা তোঙান তোঙানবা এজেন্সিশিং অমদি মীয়ামগা লোয়ননা মাংখ্রবা মীওইশিং থিবগী থবক কন্না চত্থরি।

মরক অসিদা, নেপালগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা ভারতনা মতেং পাংবগী থবকসু লেপ্তুনা চংশিল্লি। ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়- য়ুমথংনবা লৈবাক অমা ওইবগী মথক্তা মীওইবগী মীনুংশি য়েংলগা ভারতনা নেপালদা মতেং পাংবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

অমরোমদা, ভারতকী মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী মত্‌ংইন্না হৌজিক ফাওবদা লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা য়াওখিবা ভারত মচা ৮৮ কনবা ঙমখ্রে। মন্ত্রালয়গী মচিন চৎপা রন্ধির জৈসৱালনা ফোংদোরকপগী মতুংইন্না ভারত মচা ২৮৭ থিবা খঙদনা লৈরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন অসি জ‍্‌ফ মশেল কাপবদা অনি শিরে, ৬ শোক্লে হায়না ফোংবা থেংনরে।

পোকফমগী অহানবা হেদলাইন অসি অৱাংবৌনা নেমচা কিপগেনদা হায়- নহাক্কী মীশিংদা মীনুংশি লৈবা অমসুং খৃষ্টান ওইবা তম্বীয়ু।

পাউ অসি সনালৈবাক পাউচেদনা নেমচা অমদি কুকি লিদরশিংনা কুকিশিংদা মীওইবগী লোনচৎ তাকপী তম্বীগদবনি হায়না অৱাংবৌ নিউমাইনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদনা চীংদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপা লেপত্রি, তম্পাক্তা বোম মথং মথং পোকখায়রি, জে.য়ু.এফ মশেল অমুক্কসু খুৎ থোকবদা অমা শিরে, তরুক শোক্লে হায়না অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন অসি স্পোর্টস ইনফ্রাষ্ট্রকচরগীদমক লুপা কোতি ৫ কাইথোক্তুনা থমলে হায়না মন্ত্রি গোবিনদাসনা ফোংদোকখিবা ৱাফম ফোংবা থেংনরে।

চীফ সেক্রেতরিগী ফমদগী পোত্থারগদবা ডাঃ পুনিত কুমার গোয়ল মুখ্য মন্ত্রিনা তরামা ওকখ্রে, রাজিভ সিংহ ঠাকুর অনৌবা চীফ সেক্রেতরি

ওইরবা য়াই হায়না শঙাই এক্সপ্রেস হংলিস ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংবা থেংনরে।

শান্নরোইশিংবু লৈঙাকা মপুং ফানা মনুং মপান ফাওনা উহনদুনা অমসুং মেরিৎতা চপ চানা য়ুম্ফম ওইদুনা থবক পীরগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হুইয়েন লানপাউগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদনা রিক্রুটমেন্ট পোলিসিনা শান্নরোইশিংদা কান্নবশিং পীরগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

------